Important Phone Nos.

RIMS - 2414478
J.N. Hospital - 2450385
DG Control - 2450100

FIRE SERVICE

Imphal - 101
Moirang - 8415925197
Churachandpur - 8415925191
Thoubal - 8415925203
Kakching - 8415925194
Jiribam - 8415925193
Mayang Imphal - 8415925196
Bishnupur - 8415925190
Moreh - 8415925198
Kangpokpi - 8415925195
Ukhrul - 8415925205
Senapati - 8415925199
Chandel - 8415925192
Singhat - 8415925201
Sugnu - 8415925202
Yairipok - 8415925206

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	85.530919
US Dollar	75.579024
British Pound	94.631416
Australian Dollar	52.447234
Chinese Yuan Renminbi	10.708226
Japanese Yen	0.709536
Malaysian Ringgit	17.679753
Singapore Dollar	54.365222
South Korean Won	0.062641
Saudi Arabian Riyal	20.154406
Thai Baht	2.445961
Myanmar Kyat	0.05471
Bangladesh Taka	0.89087

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	– Rs	47703.00
Mumbai	– Rs	48079.00
Delhi	– Rs	47972.00
Kolkata	– Rs	47768.00

GAS NEWS

MANIPUR GAS SERVICE
Booking Upto : 19/05/2020
Valid From : 19/04/2020
Home Delivery Only
Contact Nos. 8730954041, 8259969582
Call Timing: 7.30am –11.00am

MANIPUR POLICE GAS
Booking Upto : 18/03/2020
Valid From : 16/03/2020
Sl.No. – 101
Time: 11.00am to 2.00pm
Any enquiry and booking Contact No. : 7629045883

MM GAS SERVICE
Booking Upto : 12/05/2020
Valid From : 07/05/2020
HOME DELIVERY TIMING : 8:00am to 12:00noon
FOR THANGMEIBAND AREA PLEASE CONTACT/ SMS/WHATSAPP TO 8131852580/9089370369
FOR URIPOK AREA PLEASE CONTACT/SMS/WHATSAPP TO 6009885600/7085198900
FOR OTHERS AREA PLEASE CONTACT/SMS/WHATSAPP TO 9612009063 /9862792731

MAIBIA GAS MOIRANG
Booking Upto : 24/04/2020
Valid From : 20/04/2020
STOCK : 306
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS.
1.DILIP-9612883295 (MOIRANG A/C), 2.AJAY-7005667570 (THANGA A/C), 3.ROJEN -8787381746 (KUMBI A/C).
BOOKING CONTACT NO. 7085972248
Timing: 8.00am to 12.00noon

MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto : 01/06/2020
Valid From : 13/05/2020
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call Timing:8:00AM to 2:00PM

M/s BASHIKHONG INDANE
Booking Upto : 13/05/2020
Valid From : 05/05/2020
Home Delivery Only
Contact No:9089709738,7005204180,8787566191
Office Timing: 8.00am to 11.00am
Will be delivered for 3days

YAIRIPOK GAS SERVICE
Booking Upto : 02/06/2020
Valid From : 20/04/2020
Stk : 306
(CallTime : 08.00 am to 12.00noon)
Home delivery only
93663 51735, 7005633725, 9856704591

TDK GAS SERVICE
Booking Upto : 19/05/2020
Valid From : 12/05/2020
HOME DELIVERY ONLY
CONTACT NOS. # 6909614353/8731992324

M/s K&K INDANE SERVICE
Booking uptoSl.No.50 A&B
dt. 02/06/2020
Valid From : 27/05/2020
Time : 7.30am to 11.00am
Gas booking counter open at Tera Bazar Office
Time : 8.00am to 12.00noon

HRANGCHAL GAS AGENCY
Booking Upto: 16/05/2020
Valid From : 09/05/2020
BOOKING ONLY: 03852444677
ENQUIRY ONLY: 9436280866
TIMING: 8:00AM to 12:00PM
(HOME DELIVERY ONLY)

TANGLEI GAS OINAM
Booking Upto : 20/05/2020
Valid From : 17/05/2020
Stock : 612
Timing : 7.00am to 10.00am
19kg Stock Available

IMPHAL LPG SERVICE
Booking Upto : 11/06/2020
Valid From : 15/05/2020
Serial No. – 8700
19kg commercial cylinder available
5kg available
Delivery and payment at Heinoupok office
Time : 8.00am to 11.30am
Contact number 6009392991 or8131853129
Use WhatsApp number for booking # 7588888824

PATSOI INDANE SERVICE
Booking Upto : 21/04/2020
Valid From : 08/03/2020
Stock : 306 (DBTL ONLY)
Timing : 8.00am to 10.00am

SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK
Booking Upto : 30/04/2020
Valid From : 22/04/2020
STK : 306
TIME : 7:00am -10:00am
HOME DELIVERY DATE : 24/06/2020
CONTACT NO : 7005695308, 6009772483

‘কোভিদ-১৯ ফ্রী ষ্টেট ওইরম্বদগী পোজিটিভ ওইবা মশিং হেনগৎলক্লিবসি অশোয়বা থৌরাংদগীনি’

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯ ফ্রী ষ্টেট ওইরম্বদগী পোজিটিভ ওইবা মশিং য়ামখৎলক্লিবসি অশোয়বা চেকশিন-থৌরাংদগীনি হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মে অহানবা চয়োলদা মপান্দা লৈরম্বা মণিপুরগী মীওইশিং অহানবা ওইনা কোভিদ-১৯গী হোট স্পোট ওইরবা চেন্নাইদগী জিরিবাম তম্না পুরক্লবা থৌরাং অদু লৈঙাক্না হাংবা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা থম্লবা মতুংদা মশা-মশাগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা হলহনখিনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি। চেন্নাইদগী হল্লক্লবা মীওই ১৩২৫কী মতুংদা বেঙ্গলুরু, দিল্লি, রাজস্থান অমদি গুজরাততা পন্দুনা লৈরম্বশিং জিরিবাম তম্না ট্রেনদা পুরক্লগনি হায়বগী পাউ লাকপদা রেদ জোন ওইরবা মফমদুদগী লাকপশিং অথুবদা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবা ঙম্নবা জিরিবামদা অহেনবা মেদিকেল টিম থম্নবা মাঙজৌননা খঙহনখি। লৈঙাক্লা হাংলিবা ইনষ্টিট্যুসনল নৎত্রগা কম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টরশিং লৈঙাক্লা শেম্বা কোভিদ-১৯ কন্সল্টেটিভ কম্মিটি মেম্বরশিং অমদি মায়পুননা থৌদাং লৌরিবশিংনা চেকশিন্না শেন্নহৌদ্রবদি হোট স্পোট ওইরকপা য়াবগী চিংনবা ৱাফম লৈঙাক্তা খঙহনখি।

কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মশিং হেনগৎলকপা অসিদা লোকদাউনগী চৎন-কাঙলোন কনশিন্নবা অমদি ইনষ্টিট্যুসনল ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা লৈরিবা ইনমেটশিংনা এস ও পি ঙাক্তনা চত্থরকপা কয়ানা কোভিদ-১৯ মশিং হেনগৎলকপনি হায়না ৱাফম কয়া থম্নরকখি। ৱাংজিং অমসুং মোইরাংগী ইনষ্টিট্যুসনল ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈবা ইনমেটশিংনা পেন্দবদগী ঈরাং হৌরকখিবদু চেকশিন-থৌরাংদা অশোয়বা য়াওরকপদগীনি হায়না মীয়াম্না লৌনরি। ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা লৈরিবশিং চিংথদনা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা মতম চঙবা হেনখিবা অমদি হান্না থুংলবশিং টেষ্ট তৌবগী রিজল্ট পীদবা কয়াদগী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ য়াওরম্বদা লৈমিন্নরিবা ইনমেট খরসু নাহল্লকপনি হায়বসি মীয়াম্না খঙবা ঙম্লি। কোভিদ-১৯ থেংনবদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙসি হায়রি।

হার কন্ট্রোল রেটতা ফংহন্নবা চে পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস) :

লৌমীশিংগী তঙাইফদবা হার, যুরিয়া ককচিংগী মফম চাবা গোদাউন অমদা থমদুনা লৈঙাক্কী কন্ট্রোল রেটতা ফংহন্নবা এগ্রিকলচর মিনিষ্টর অমদি চীফ সেক্রেটরিদা অইবা চেরোল পীদুনা হায়জখ্রে হায়না জোইন্ট নন-গভর্ণমেন্ট ভলন্টরি ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি রোমেশ নাওরেমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। কোভিদ-১৯ লায়না অসিনা মে ১দগী এগ্রিকলচরদা চাউনা চৈথেং পীদুনা ফুদ ক্রাইসিস অমা থোকপা য়াবগী অকিবা লৈরিবনি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা হান্নদগী লৌউ-শিংউদা মাঙজিল থাদুনা লাক্লিবা ককচিং অমদি খুলোন্নবা লৌমীশিংগী তঙাইফদবা হার, যুরিয়া ককচিংগী মফম চাবা গোদাউনদা থন্বীয়ু হায়রি।

স্কুলশিংদা হাংলিবা থাঙ-তাগী ওজাশিংবু লান্না উহনবা য়াবা থবক তৌবীগনু : কিমাক্স

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী স্কুলশিংদা হাংলিবা থাঙ-তাগী ওজাশিংবু লান্না উহনবা য়াবা থবক অমত্তা তৌবীগনু হায়না কংলৈ ইন্দিজিনস মার্সেল আর্ট এন্দ কলচরেল সোসাইটি (কিমাক্স)কী সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কুম্বীদা লৈবা শম্বলৈ সেকপিন স্কুলদা ওজা ওইবা অমনা থাঙ-তা ক্লাস টেনগী মহৈরোয়শিংবু মার্ক ৱাংনা ফংহনগনি হায়দুনা মহৈরোয়শিংদগী লন্নাই ওইবা ৱাফমদা শেল খোমগৎখি হায়না ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমশিং অসি য়ুম্ফম য়াওদবা অরানবা ৱাফমনি। মসি পুকচেল পীকপা, অকিল-অরিং শীংবা মীওই খরগী থৌশিলনি। এগজাম অসিগী এক্সটর্নেলগী মার্ক পীবগী মতাংদা অরানবা তৌখিবা লৈতে। এক্সটর্নেল এগজামগী ওইনদি বোসেমগী মায়কৈদগী থারকপা এক্সটর্নেল এগজামিনরনা এগজাম অসিগী মার্ক পীখিবনি। স্কুল অসিগী থাঙ-তাগী ওজা অমবু মরাল শীরকপসি লাইবক থীবনি। চহী অসিগী ঐচ এস এল সী এগজামগী শম্বলৈ সেকপিন স্কুল অসিগী থাঙ-তা লৌবা মহৈরোয়শিংদগী প্রক্টিকেল এগজাম মমাঙদা স্কুল ওথোরিটিনা প্রক্টিকেল এগজামগীদমক মহৈরোয়শিংদগী লুপা ৩০০/৩০০গী এগজামিনেসন ফী লৌখৎনবা এদভাইস তৌখি।

খোমগৎলিবা শেনফম অসি লুপা লিশিং ৯ লোমনি। শেনফম অসি প্রক্টিকেলগা মরী লৈনবা হীরমদা শীজিন্নখিবনি। ওজা অসিগী লন্নাই ওইবা হীরমদা শীজিন্নখিবা লৈতে। ৱাথোক অসি স্কুল অসিগী পেরেন্টশিংগা স্কুল অসিগগী মরক্তা নুংশিনদবদগী লান্না শন্দাকখিবনি। কিমাক্স অমদি দেসামগা স্কুল ওথোরিটিশিংগা থা অসিগী ১৬তা ফম্মিন্নদুনা অচুম্বা, অরানবা অদু থিদোকমিন্নদুনা ৱারোইশিন পুরকখ্রে। য়ানরিবা মরুওইবা ৱারোলদি থাঙ-তা তম্বীবগী ওইনা মহৈরোয়শিংদগী করিগুম্বা ফী অমত্তা লৌদবা হায়না কিমাক্সনা মমাঙথক্তগী শেমখিবা চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না লৌশিল্লুবা শেনফমশিং অসি মহৈরোয়শিংদা অমুক হন্দোকপা হায়না য়ানখ্রে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

চিংলেননা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস) :

সিনিয়র আর্টিষ্ট চিংলেন থিয়ামনা মশাগী অনাবা অমদগী লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এল তোম্বনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মণিপুরগী শক্লাইরবা ফিল্ম অমদি শুমাং লীলাগী আর্টিষ্ট ওইরম্বা চিংলেন থিয়ামনা মশাগী অনাবা অমদগী লৈখিদবদা পেলেস কম্পাউন্দ, ইম্ফালদা লৈবা পার্টি ওফিসতা অৱাবা ফোঙবগী মীফম পাঙথোকখ্রে। বি নেতাচন্দ্রনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চিংলেন থিয়ামগী থৱায়না ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা মিনিট ২ তুমীন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

ইমাগী ওফিসতা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অদু পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ইমাগী এদভাইজর টিজেন্দ্রনা লুচিংদুনা আর্টিষ্ট কয়াসু শরুক য়াখি। লৈখিদ্রবগী য়ুমদা চৎতুনা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াখি। লৈখিদ্রবা চিংলেন থিয়ামগী মচানুপানা ফোঙদোকখিবদা, ইমুং-মনুংগী অৱাবদা শরুক য়াদুনা লাকপীবসি পূক্নিংদা অপেনবা পোকই। লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লি। আর্টিষ্টকী য়াইফনবা থবক কয়া পায়খৎহন্নিংই। অনা-অয়েক য়াওরকপা মতমদা তেংবাংনবা স্কিমগী কান্নবা ফংহন্নিংই হায়খি।

দিলিমিটেসন পাঙথোক্কনি হায়রিবসিগী মায়োক্তা সুপ্রীম কোর্টতা পি আই এল থাখ্রে : নুরুল হসন

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস) :

দিলিমিটেসন পাঙথোক্কনি হায়রিবসিগী মায়োক্তা সুপ্রীম কোর্টতা পি আই এল থাখ্রে হায়না ক্ষেত্রিগাওদগী সৈখ নুরুল হসননা ফোঙদোকখ্রে।

ক্ষেত্রি অৱাং লৈকায়দা লৈবা নুরুল হসনগী য়ুমদা পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না হায়খি, কুমজা ২০০১গী সেন্সসতা বেজ তৌরগা দিলিমিটেসন তৌরবদি নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিং অসিদা শোকপা কয়া লৈগনি। ফন্দামেন্টেল রাইটনচিংবা নীংশিংবা চঙই। কুমজা ২০০১গী সেন্সস অসি অরানবা দেটা অমনি। মসিদা বেজ তৌরগা দিলিমিটেসন তৌবা তারবদি তম্পাক্কী অমদি চীংগী পোপ্যুলেসন রেসিওদা য়েংবা মতমদা দিলিমিটেসনদা তম্পাক্তগী চীংদা এসেম্বলী সিট খরা চৎখিবা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। নেচরেল জষ্টিসকী মায়োক্তা লৈবা অমনি।

মণিপুরদা ইক্কেল রিপ্রজেন্টেসনদা য়ুম্ফম ওইরগা পাঙথোক্কদবা দিলিমিটেসন অসি করম্বা মওংদা লাক্কদগে। কুমজা ২০০১গী সেন্সসতা বেজ তৌরগদি শোকহনগদবা কয়া লৈবনা মরম ওইরগা য়ানিংদে। সেন্সস অসিদা বেজ তৌরবদি ফন্দামেন্টেল রাইটতা শীংনবনা মরম ওইরগা মসিদা য়ানিংদবা থল্লি। কুমজা ২০০১গী সেন্সস অসি মরম চাদে। সেনাপতি, চান্দেল, উখ্রুলগী সব-দিভিজন কয়া মাও, মরাম, পাওমাতা, পুরুল, কামজোং, মচিনচিংবা কয়াদা কুমজা ১৯৯১গী ফিগরগা কুমজা ২০০১গী সেন্সসকী ফিগরগা চাংদম্নবদা চাদা ৪১দগী ১৬৯দা হেনগৎলকপসি মরম চাদে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

উ-চারা ৩০০ হেন্না থাখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস) :

দিভিজনল ফোরেষ্ট ওফিসর, থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা জেইন্ট কোওর্দিনেসন কম্মিটি ওন ৱাইল্দলাইফ এন্দ বাইওদাইভর্সিটি মণিপুর অমদি দল্লিয়ু বি সী সী য়াইরিপোক ব্রাঞ্চ অনীনা শীন্দুনা য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাদগী চরাংপাৎ কেনেল ফাওবা নুমীৎ ৩নি চত্থরকপা উ থাবগী প্রোগ্রাম অদু উ-চারা ৩০০ হেন্না থাদুনা লোইশিনখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱাংখেম এ সীগী এম এল এগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি। য়াইরিপোক্কী এস দি পি ও, কে ধনঞ্জয়, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিং, য়ুনাইটেদ এন জি ও ফোরমগী চ্যেরমেন কম সোসল ৱার্কর কে এন সিংহ, জিট কুনেদো এসোসিএসন থৌবালগী শান্নরোয়শিং, য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী হান্নগী চ্যেরপর্সন কে রুপচন্দ্র, ৱার্দ নম্বর ৩গী মীওইশিং শরুক য়াখি।

দল্লিয়ু বি সী সী য়াইরিপোক ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট তোইজম থোমাসনা ফোঙদোকখিবদা, মাঙথরক্লিবা ইকোলোজিকেল বেলেন্স অসি কন্নবা হোৎনবদা উ পাম্বী থাবা তঙাইফদে। য়াইরিপোক্কী এরিয়াশিং অসি অশংবা লমদম অমা ওইহন্নবা উ থাবগী থবক মখা তানা চঙশিনখিগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মার্কসিট পীশিনবীয়ু

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস) :

বোসেমনা লৌবা ঐচ এস এল সী এগজাম ২০২০দা মায় পাক্লবা মহৈরোয়শিংদা য়াইফ-পাউজেল পীবগা লোয়ননা অচম্বা খুদোল পীনবা থৌরাং তৌরি। মহৈরোয়শিংগী ফোটোষ্টেট তৌরবা মার্কসিট, এদমিট কার্দনচিংবা পীশিনবীরকউ হায়না ভিজন খুরাই ২০২২গী সেক্রেটরি টি ঐচ সনাতোননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

খুরাই কোংপাল লাইশ্রম লৈকায়দা লৈবা সোসল ৱার্কর খাগোকপম খম্বগী শঙলেন্দা লৈবা ভিজন খুরাইগী ওফিসতা জুলাই ৬ ফাওবগী মনুংদা পীশিনবীরকউ। অয়ুক পুং ১০ দগী নুংথিল ৪ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লকপা য়াগনি হায়রি।

নেসনল, ইন্টরনেসনল এৱার্দকী খল্লক্লে

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস) :

ন্যু দিল্লিদা চহীসিগী জুলাই ১১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা বাবু জগজিবন রাম কলা সংস্কৃতি অমদি সাহিত্য একাদেমীগী নেসনল থাক্কী কনফরেন্সতা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী মনা পীনবা খল্লকপদা মণিপুরদগী মীওই কয়া য়াওরক্লে হায়না দলিট সাহিত্য একাদেমী মণিপুরগী সেক্রেটরি বি কে মঙাংনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ডা. বি আর অম্বেদকর নেসনল শমান পীনবা ময়েংলমজাও মখা লৈকায়দগী বাশিখোংবগী লমদা থৌনাওজম অরুনকুমার, তৌবুংখোক্তগী রিচুয়েল লিদরদা ঙাশেকপম নিলাকান্তা, লাঙ্গোল নিংথৌদগী খাঙেম্বম জদুমনি, খুরাই কোংখামদগী য়ুম্নাম শরত, নোংমৈবুং অয়াং পল্লিদগী মৈতান কৈচংবম মৈনো, চসাদ এভিন্যুদগী বোইপু হাওকিপ, খাঙবোক্তগী সোসল রিফোর্মর মোবিলাইজর লাইশ্রম তোম্বা, ক্বাকৈথেলদগী নট-সঙ্কীর্ত্তন ঈশৈদা সোমেন্দ্রো, ন্যু চেক্কোন্দগী লৈদশৈ হাওকিপ, নিঙোম্থম ময়াই লৈকায়দগী পুয়া ৱারী লীবা মুতুম চনু য়োয়হেনবী, থৌবাল অথোকপম খুনৌদগী ওইনাম প্রেমকুমার, সেক্তা ময়াই লৈকায়দগী সোসল ৱার্কর য়াইখোম পহারী, কংলা সিফাইদগী ঙাঙোম হেরোজিৎ, বাবু জগজিবন রাম নেসনল শমানদা শুমাং লীলাগী শৈশকপা ময়েংলমজাওদগী প্রেমজিৎ য়াওরি হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস) :

শুমাং লীলা অমদি ফিল্মগী আর্টিষ্ট ওইরম্বা চিংলেন থিয়ামনা মনুং মতম চাদনা মশাগী অনাবা অমদগী থা অসিগী ১৮দা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী টেক্নিকেল ওফিসর শরতচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, চিংলেন থিয়ামনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমা এম এস এফ দি এসকী সেক্রেটরি অমদি ষ্টাফশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা চিংলেন থিয়ামনা তৌরম্বা থবক কয়াবু শীংথাখি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিখি হায়নসু মখা তারি।

কাং চিংনখিদ্রবসু য়াম্লবা মীয়াম্না কোয়বা...

লামায় ১গী মখা... ইরিলবুং, থিয়াম কোঞ্জিল লম্বী, বিষ্ণুপুর, নিংথৌখোং অমদি মোইরাংনচিংবা মফম কয়াগী লম্বীদা গাড়ি কুংনা চৎখি। লম্বীদা গাড়ি কুংনা চৎখিবদা নত্তনা ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা পোৎচৈ, এঞ্জাং-নাপী য়োনবা মফমশিংদা পোৎচৈ লৈবা লাকপা মীওইশিংনা চিক্ল-চাইনবা ঙমদবমখৈ তিনখি। গাড়ি কুংনা চৎপনা মফম কয়াদা ট্রাফিক জাম ফাওবা থোকখি।

পাউচে অসিনা কোয়না চৎতুনা য়েংলুবদা ইম্ফালদগী লিলোং তাবা লম্বী, ইরিলবুং, থিয়াম কোঞ্জিল, বিষ্ণুপুর, নিংথৌখোং অমদি মোইরাংনচিংবা মফম কয়াগী লম্বীদা গাড়ি কুংনা চৎপদা নত্তনা পোৎচৈ লৈবা লাকপা মীওইশিংনা সোসল দিষ্টেন্সিংগী চৎন কাংলোনশিং থৌশাখিদবগী অচৌবা মমি তাখি। লম্বীদা চৎলিবা মীওইশিং অমদি পোৎচৈ লৈবা লাকপা মীওইশিংনা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাকখিদবগা লোয়ননা ফেস মাস্ক উপ্তুবনসু অয়াম্বা ওইখি। অমরোমদা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং নোংমা-নোংমগী লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লবসু লম্বী চৎলিবা মীওইশিং অদুদা থোইনা অকিবা অমদি চিংনবগী মমিসু তাখিদে। লম্বী মতাইদা কাংহৌ, শিংজু-বোরা য়োনবা মফমশিংদা মী পূন্না-পূন্না চামিন-থকমিন্নখি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯গী লায়চৎ ঙাকথোক্লবগী পান্দমদা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংশিং কদাইফাওবা কান্নগদৌরিবগে হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি।

মাস্ক য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৩ (ঐচ এন এস) :

ক্বারন্টিন সেন্টরদা মীওই কয়া পোজিটিভ ওইরকপগী চাং ৱাংখৎলকপনা অকিবা লৈরকপসিদা খরদং ওইরবসু কোক্লবা ইতীন কম্প্যুটরাইজ আই টৈষ্টিং এন্দ আই ক্যের সেন্টর থৌবালগী মায়কৈদগী হেন্দ সেনিটাইজর অমদি মাস্ক কয়া য়েন্থোকখ্রে।

ৱাংজিং, খাঙবোক, থৌবাল কোলেজ, মোইজিং হায় স্কুলনচিংবদা হাংলিবা মফমশিংদা অঙম্বা মতেং পাংখি। ইতীন কম্প্যুটরাইজ আই টৈষ্টিং এন্দ আই ক্যের সেন্টর থৌবালগী মায়কৈদগী চেকশিন থৌরাংগী ওইবা পোৎলমশিং সেনিটাইজর অমদি মাস্কনচিংবা কয়া অদু ক্বারন্টিন সেন্টরশিং অদুদা য়েন্থোকখিবনি হায়রি।

নুমিৎ ১৭নি থংননা পেট্রোল, দিজলগী...

লামায় ১গী মখা... গুরগাউদা পেট্রোল লিটর অমগী মমল লুপা ৭৭.৯৯ অমসুং দিজলগীনা লুপা ৭১.৭৬ ওইখি। মুম্বাইদা পেট্রোল লিটর অমগী মমল লুপা ৮৬.৫৪ অমসুং দিজলগীনা লুপা ৭৭.৭৬ ওইখি। চেন্নাইদা পেট্রোল লিটর অমগী মমল লুপা ৮৩.০৪ অমসুং দিজলগীনা লুপা ৭৬.৭৭ ওইখি। হায়দরবাদতা পেট্রোল লিটর অমগী মমল লুপা ৮২.৭৯ অমসুং দিজলগীনা লুপা ৭৭.৬০ ওইখি। বেঙ্গালুরুদনা পেট্রোল লিটর অমগী মমল লুপা ৮২.৩৫ অমসুং দিজলগীনা লুপা ৭৫.৫১ য়ৌরে।

এন্টিসিপেটরি বেলদা...

লামায় ১গী মখা... দি এস পুনিয়া, পি সী লমকুংঙা, ও নবকিশ্বর অমসুং সোসাইটি অসিগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওফিসর এস রঞ্জিৎনি। পুলিসনা কেস অসি লৌখৎলকপদগী কুমজা অদুদা একুাইজনি হায়দুনা চার্জ তৌরক্লিবা মীওই ৬না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদগী এন্টিসিপেটরি বেল লৌদুনা লৈরকখিবগী মথক্তা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীদি কোর্ট অসিদগী কেস অসিগা মরী লৈননা এবসোল্যুট বেল লৌখ্রবনি হায়রি।

কৈরাক কাগদবগী...

*লামায় ১গী মখা...*পোৎলম সপ্লায় তৌরম্বগী ভিজিলেন্সনা কেস লৌখৎপা লৈরিবনি। অদুবু মসি সিজ তৌদুনা থল্লি। হেল্থ মিনিষ্টর অদুনা পায়রিঙৈ মতমদা থোকপা ৱাফমনি। চেন্নবা মিনিষ্টর নৎত্রগা ওফিসর অদুগী মথক্তা থবক অদুম্মক লৌখৎলক্কনি। মীওইবগী পুন্সিগা মরী লৈনবা থবক্তা অসিগুম্বা থৌওং চত্থবা চুমদে। এন পি পিদি চুংশিন্নবা লৈঙাক্কী কাঙলোন ঙাক্তবা কুইরে। লোক সভা মীখল মতমদসু বি জে পিগী এম পি কেন্দিদেট পুথোকপা মতমদা এন পি পিগী মীওইশিংনা পার্টি অসিগী মায়োক্তা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপসু লৈখ্রবনি। বি জে পি পার্টি মনুংদা ঈরাং থোক্লবা এন পি পিনা শীল্লম্বা কয়া অমসু লৈরিবনি। সী এমদা চার্জ তৌরিবা কয়াসি অরানবা ঙাক্তনি। মীবু মরাল শীবা ফৎতবা ৱাখল্লোননি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসি অমা হায়, হয়েং অমা হায় তৌবসি লেপ্লসি : লৈশেম্বা...

*লামায় ১গী মখা...*মাঙথারগা চৎকনি। মীয়াম ৱাহল্লোই, য়ারক্তুবদি মীয়ামগা লোয়ননা তান্নগনি। ইস্যু ময়াম মাঙদা তারি। মফম চানা পার্লিয়ামেন্টতা পুথোকপা ঙমগনি। মীয়াম্না য়াগদবশিং মাঙ থাগনি। সী এস ওশিংনা কয়া অমা লাউরি। চীং-তমগী তোঙান-তোঙানবা লাইনিং চৎপা অমদি কাঙলুপ ফুরুপশিংনদি নিংথৌ ওইনা চৎকদবনি হায়রি। দিমোক্রেসি চৎপা মফমদা সী এস ওশিংগীসু অপাম্বা ফোঙদোকপনি। ইশাগী চহী ৬০ শুরকপদা ইচাদা নিংথৌ খুভম শীন্নগে। কোনশিন্দুনা থল্লোই। কোনুংগী থবক থৌরমশিং হুন্দোক্লম্লগা এম পি ওইনা চৎকদবা নত্তে। খরা হেন্না ফজনা থবক পাঙথোকপা ঙম্নবা চঙশিনবনি। মশক থোকপা সনা কোনুং অমুক্তংদি ওইহন্নবগী পান্দম লৈরি।

হৌজিক সনা কোনুংগী লৈরিবা লোয়শঙশিং অসি মমিংখক্তগীনি। মপাঙ্গল শোন্থরিবনি। কনখৎহন্দুনা মশক থোকপা লোয়শঙগী মথৌ তৌহনবা পাম্মী। কোংগ্রেস লৈঙাক লৈবা মতমদা কোনুং লৌশিল্লগা ম্যুজিয়ম ওন্দুনা নিংথৌনা অতোপ্পা মফমদু লৈবদু য়াখিদবসি অহিংবা কোনুং ওইহনসি হায়বনি। অহিংবা কোনুং ওইহনবগা লোয়ননা এম পি ওইনা চৎকনি। নিংথৌ ওইনা চৎত্রবদি ঈকায় খুম্নবীরোই। এম পিগী খুদোংচাবা পীরকপসি নিংথৌ ওইনা পীরকপনি। সমরজিৎনা খঙহৌদনা অমা লাউথোরকপা হায়বসিগা এম পি ওইবগা মরী লৈনদে। সমরজিৎনা নিংথৌ শীনগনি হায়বসি পংহায় হায়বনি। অসুক কুইনা লৈরকপদা মণিপুরগী লৈঙাক্লা ঐবু ঈকায় খুম্নবা নৎত্রগা এম পি ওইনবা হায়রকপা লৈতে। কুমজা ২০১৭তগী সিক্যুরিটি পীরকই। সী এম ৱাশক লৌবগা কোনুংদা লাকপীখি। বি জে পিগী এম পি ওইনা চঙশিনবনি। পোলিটিক্স য়াওবগী ৱাখলদি লৈতে। মখা তাবা করি লাক্কদগে হায়বা খঙদ্রি। পোলিটিক্স হায়বসিদি মপান্দা অমা মনুংদনা অমা চেনবা ঈচেলনি। মায় পাক্তগদি তৌনিংবা থবক কয়া তৌবা ঙম্লোই। এম পি ওইবদা য়ানিংদবা খোল্লাও কয়াসু লাউরিবনি। মায় পাক্তবদি হায়না অৱাবদি লৈখি। মীয়াম্না হোৎনবা অমদি পোলিটিক্সকী মনুংগী ঈচেলদি খঙদনা ঐগীদমক হোৎনখি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অনৌবা কেস ২৩ হেনগৎলকপদগী ৯২১ শুখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...*মতুংদা লৈহৌরিবা মীওইশিংনা কা পুম্নমক নীংথিনা সেনিটাইজেসন তৌনবা তকশিল্লকখি। মতম খরা থেংথরবসু নীংথিনা খঙ-হৈরবা মেল হেল্থ ৱার্কর অমা ক্বারন্টিন সেন্টরগী নোদল ওফিসর ওইবা ডোক্তরগা লোয়ননা মফম অদুদা চৎখি। পি পি ঈ শীজিন্নবা মরম্না কা-হেন্না শাবদগী হেল্থ ৱার্কর অদু খুদোংচাদবা খরা মায়োক্লখি। মতাং অদুদা ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈবা মীওই খরনা হেল্থ ৱার্কর অদুগী ভিদিও অপলোদ তৌরগা মেদিকেল ষ্টাফনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা ওথোরিটিবু মরাল শীবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকখি।

মরী লৈনবা ওথোরিটিদগী অচুম-অরান থিগৎপা তৌদনা সোসল মীদিয়াদা অরানবা পাউ শন্দোক্তুনা মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা হোৎনবগী থৌওং অমা লমদমসিদা তোয়না চত্থরক্লি। কনাগুম্বনা সোসল মীদিয়াদা মরুওইবা পাউনৎত্রগা ভিদিও অপলোদ তৌরমদাইদা মরী লৈনবা ওথোরিটিদগী হান্না অচুম-অরান খঙদোক্লবা হোৎনবীয়ু। মীয়ামদা অরানবা পাউ শন্দোকপা হায়বসি দিজষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৫গী মখাদা চৈরাক ফংনিংঙাই ওই হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

চৈরকসিদা, ইন্দিয়াগী ওইনা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মী শিবগী চাং নেম্না লৈ হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরনা ফোঙদোকখ্রে। মিনিষ্ট্রিনা থাদোরকপা ৱারোল অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, ইন্দিয়াদা মীওই লাখ ১ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদা শুপ্নগী মীওই অমখক শিরি। মালেমগী ওইনদি মীওই লাখ ১ খুদিংগী মীওই ৬.০৪গী চাংদা শিরি হায়নসু মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি। মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা কোভিদ-১৯না মী শিহনবগী মতাংদা দেটা খোমজিল্লিবা জেন্স হোকিন্স য়ুনিভর্সিটিগী রিপোর্ট অমনা হায়, হৌজিক ফাওবদা খুদোংথিনিংঙাই ওইরিবা লায়না-লাইচৎ অসিনা মী খ্বাইদগী য়াম্না শিহনবগী মতাংদা ইন্দিয়ানা ৮-শুবদা লৈরে। ঙসি অথেংবা ফাওবদা ফংবা রিপোর্টমতুং ইন্না ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী অপুনবা কেস মশিং ৪,৪২,৩৪৯ য়ৌরে। লায়না অসিনা শিহনখিবা মীশিং ১৪,১৩০শুরে, নারুবদগী ফগৎলকপা মীশিংনা ২,৫০,৫০৩নি। মালেমগী ওইনা অপুনবা কেস মশিং ৯২,২৮,৬৩৯ য়ৌরে। শিখিবা মীশিং ৪,৭৫,৩১৯ শুরে, নারুবদগী ফগৎলকপা মীশিংনা ৪৯,৭১,১২৭নি।

ঈ সী আইনা অন্দ্রো এ সীগী বাই ইলেক্সন তৌখিরোই হায়রক্লে...

*লামায় ১গী মখা...*পীরক্তুনা খঙহল্লকখিবনি। চেরোল অসি মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট (এম পি) অমনা অন্দ্রোগী বাই ইলেক্সনগী মতাংদা কম্মিসনদা অইবা চেরোল (দি ও লেটর নম্বর-এম পি-২/সী ঈ সী-ঈ সী আই/২০২০/০১) অমা মমাং থাগী ১৮দা ইরুবনি। মসিগী পাউখুমদা ঈ সী আইগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরীনা ৱাফম অসি মঙোন্দা ইদুনা খঙহল্লকখিবনি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, ঈ সী আইনা অন্দ্রো এ সীগী হাঙলিবা সিট মেনশিন্নবগী বাই ইলেক্সন পাঙথোকখিরোই হায়রক্লিবসিগী মরম পীরদুনা হায়বদা, টি ঐচ শ্যামকুমারবু দিসক্বালিফাই তৌবদগী অন্দ্রোগী সিট অসি হাঙলবসু হৌজিক হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা মহাক্কী মথক্তা ইলেক্সন পিটিসন কেস অমা পেন্দিংদা লৈরি। ইলেক্সন পিটিসন অসিগী নম্বর ৪ ওফ ২০১৭নি। কেস অসিদা মসিগী পিটিস্নরনা মহাকপু টি ঐচ শ্যামকুমারগী মহুত্তা ইলেক্তেদ মেম্বর অমনি হায়দুনা লাউথোকপীনবা প্রেয়র তৌরিবনি হায়রকখি।

মসিগী মথক্তা টেলেঙ্গনা রাষ্ট্র সমিঠি কেস (২০১১ (১) এস সী জে ১৩) গী মতাংদা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা পীখিবা দিসিজন অমগী মতুংইন্না ‘ইলেক্সন পিটিসন পেন্দিং লৈতবা অহাংবা সিট মেনশিন্নবগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা থবক লৌখৎলি’ হায়বা ৱাফম ফোঙদোরকখি হায়রি। হায়রিবা ৱাফম অসি কম্মিসননা হৌখিবা কুমজা ২০১৩গী ওগষ্ট ৮দা থোকখিবা ‘ইন্সএক্সন’ (নম্বর-৪৬৪/ইন্সট্রক্সন/২০১৩-ঈ পি এস) দসু ময়েক শেংনা ফোংদোকখ্রবনি হায়নসু পল্লকখি হায়রি।

ঈ সী আইনা এম পি অসিদা অন্দ্রো এ সীগী বাই ইলেক্সনগী মতাংদা ওফিসল ওইনা খঙহল্লকখিবা ৱাফমশিং অসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা হৌজিক এক্টিভ পোলিটিক্সতা লৈরিবা ষ্টেট অসিগী ভেটরান পোলিটিক্সিয়ন অমগা উন্নদুনা হংখিবদা মহাক্না হায়, সুপ্রিম কোর্টকী রুল্লিং অদু ‘ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া ভর্সেস টেলেঙ্গনা রাষ্ট্র সমিঠি এন্দ অনাদর’ (সিভিল আপিল নম্বর-১০২৪৪ ওফ ২০১০), স্পেসল লীভ পিটিসন (এস এল পি) সিভিল নম্বর ২০৫৯০ ওফ ২০১০গী অপুনবা জজমেন্ট অমা লৈবাকসিগী এপেক্স কোর্ট অসিনা কুমজা ২০১০গী দিসেম্বর ৩দা পিখিবনি হায়রি। লোয়ননা ষ্টেটকী লেজিসলেচরদা ভেকেন্সি লৈরবসু রিটর্ন কেন্দিদেট অদুবু খনখিবগী ইলেক্সন অদু চেলেঞ্জ তৌরকপগা লোয়ননা অতোপ্পা প্রেয়র অমনা চেলেঞ্জ তৌরক্লিবা কেস অদুগী পিটিস্নরবু রিটর্ন কেন্দিদেট অদুগী মহুত্তা ইলেক্তেদ মেম্বরনি হায়দুনা লাউথোকপিয়ু হায়রক্লবদি রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপলস এক্ট, ১৯৫১গী সেক্সন ১৫১ এ-না পীবা মতমগী মতুংদা বাই ইলেক্সন পাঙথোক্কদবা ওইরবসু সুপ্রিম কোর্টকী রুল্লিং অসিগী মতুং ইন্না পাঙথোক্লোই হায়না ফোঙদোরকখি।

হায়রিবা ইলেক্সন পিটিসনশিং লৈবা এ সীশিংগীদি এম এল এশিংদু দিসক্বালিফাই তৌরবসু কেসশিং অদু দিস্পোজ তৌদ্রিঙৈগী মরক্তদি সিট হাংলবসু বাই ইলেক্সন তৌরোই হায়বা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী রুল্লিং লৈ হায়রকপদগী পাউচে অসিনা হৌজিক ফাউবদা স্পিকর ট্রাইব্যুনেলনা দিসক্বালিফাই তৌখ্রবা অপুনবা এম এল এ ৫ টি ঐচ শ্যামকুমার, ক্ষেত্রিময়ুম বিরেন, সনসম বির, য়েংখোম শুরচন্দ্র অমসুং তোংব্রম রোবিন্দ্রোগী মথক্তসু ইলেক্সন পিটিসনশিং পেন্দিং লৈবা য়াওরিব্রা হায়দুনা অমুক থিজিনখি। মসিদা অপুনবা এম এল এ ৫ অসিগী মনুংদা টি ঐচ শ্যামকুমার খক্তা নত্তনা সনসম বিরগী মথক্তা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর-১২ ওফ ২০১৭ (নিংথৌজম মঙ্গি ভর্সেস সনসম বির এন্দ ২ আদর্স) অমসুং ৱাই শুরচন্দ্রগী মথক্তনা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর-১ ওফ ২০১৭ (এম রামেশ্বর ভর্সেস ৱাই শুরচন্দ্র) লৈরম্বা থেংনখি।

এম এল এ ওইরম্বা মীওই অহুমসিদা নত্তনা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা ইলেক্সন পিটিসন ৯ (পুন্না ১২) পেন্দিংদা লৈরমখি। অতৈ কেসশিংদুনা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর-১১ ওফ ২০১৭ (এল ইবোমচা ভর্সেস এল জয়েন্তকুমার এন্দ ৬ আদর্স), নম্বর ২ ওফ ২০১৭ (ৱাই ইরাবোৎ ভর্সেস ও হেনরি এন্দ অনাদর), নম্বর-৩ ওফ ২০১৭ (থাংজম মোহেন্দ্রো ভর্সেস থোকচোম লোকেশ্বর), নম্বর-৬ ওফ ২০১৭ (এম পৃথিবীরাজ ভর্সেস পি শরতচন্দ্র), নম্বর-৮ ওফ ২০১৭ (জোতিন ৱাইখোম ভর্সেস কে ঐচ জয়কিষন), নম্বর-৯ ওফ ২০১৭ (এম দি অমিন সাহ ভর্সেস এন ইন্দ্রজিৎ এন্দ ৫ আদর্স) নম্বর-৭ ওফ ২০১৭ (ডা. এল ফিমাতে ভর্সেস ডা. চালতোনলিয়ন অমো), নম্বর-১০ ওফ ২০১৭ (এস কুঞ্জকেশোর এলিয়াস কেবা ভর্সেস এ কে মিরাবাই এন্দ ৩ আদর্স অমসুং নম্বর -৫ ওফ ২০১৭ (ডা. কে ঐচ লোকেন ভর্সেস আর কে ইমো এন্দ ২ আদর্স)নি।

ঈ সী আইনা এম পি অমদা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী জজমেন্ট পল্লদুনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমসিগী মতুং ইন্নদি থাসিগী ১৮দা দিসক্বালিফাই তৌখ্রবা কুম্বী অমসুং ককচিং এ সীগী অহাঙবা সিটশিং মেনশিন্নবা বাই ইলেক্সন তৌখিরোইদৌরি হায়রি।

পনবা য়াবদি, হৌজিক ফাউবগী ওইনা দিসক্বালিফাই তৌখ্রবা অপুনবা এম এল এ মরিগী মনুংদগী ৭-অন্দ্রো এ সীগীদি সিট হাঙলে হায়বগী মতাংদা ওফিসল ওইবা চেরোল অমা ঈ সী আইদা জোইন্ট চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসার মণিপুর রামানন্দ নোংমৈকাপমনা এপ্রিল ২৫, ২০২০দা ওফিসল ওইবা চেরোল অমা থাদুনা খঙহনখ্রবনি।

হিমন্ত বিশ্বা অমদি কোনরাদ সংমানা...

লামায় ১গী মখা... ৪বু দিল্লিদা পুদুনা চৎলমদাইদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা নেদাগী কনভেনর হিমন্ত বিশ্বানা হায়খি, মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক মনুংদা চরাংনবা থোক্লিবসিগী মতাংদা অথুবদা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনরি। এন পি পিগী এম এল এশিংনা ৱারী শানবগী মতম পীবীবসি অফবা অমনি। মখোয়না তাল্লিবা দিমান্দ অদু হৌজিক লেপ্পুনা অদুম্মক লৈরি। হৌজিক লৈরিবা ৱাথোকসিগী মতাংদা অথুবদা ৱারোইশিন অমা পুরকপা য়াই। চান্ন-চিন্নবা মওংদা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবগীদমক য়াম্না কন্না হোৎনরি।

লৈঙাক মনুংদা লৈরিবা চরাংনবা অসি তাঙ্কক নাইনা ৱারোইশিন পুরকপা য়াগনি। ৱারোইশিন অসি পুরকপদা মতম খরা চংলবা য়াই। চরাংনবা থোক্লিবা অসি ঐহাক্কী লেভেলদা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদবা ইশু কয়া য়াওরি। মরম অসিনা দিল্লিদা বি জে পিগী লুচিংবশিংগা খন্ন-নৈনরবা মতুংদা ৱারোইশিন পুরক্লবা য়াই। মতম পুম্নমক্তা মণিপুরদা করিগুম্বা ক্রাইসিস নত্রগা ৱাখল্লোল খেন্নবগী ৱাফমশিং লেপ্পা লৈতনা লাক্লি। অদুবু মণিপুরদা লৈরিবা লৈঙাক অসিদা চরাংনবা অমত্তা মখা তানা থোক্তনবা হন্দক্তি মতিক চাবা ৱারোইশিন অমা পুরকপা পাম্মী। বি জে পিগী এম এল এশিং, এন পি পিগী এম এল এশিং, এন পি এফকী এম এল এশিংনা পুখৎলকপা ইশুশিং নীংথিনা খন্নরবা মতুংদা মতম পুম্বগী ওইনা সোল্যুসন অমা পুরকপসু পাম্মী। মদুনা মণিপুরদা চাওখৎপা পুরকপদা নত্তনা পার্টি অসিনা মীখলগীদমক মায় ওনশিনবা পাম্মী।

বি জে পিগী মীহুৎ লাকপা মতমদা ক্বারন্টিন তৌহন্দ্রিবগী মরম করিগীনো হায়না কোংগ্রেসনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফমগী মতাংদা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা হিমন্ত বিশ্বানা হায়খি, কনাগুম্বা অমনা অয়ুক্তা লাক্লগা নুমিৎতুমক্তদা হনখিবগী টিকেট পায়রক্লবদি ক্বরন্টিন তৌবগী মথৌ তাদে খল্লি। অসামদসু মণিপুর নত্রগা নাগালেন্দগী চৎখিবা মীওই অমত্তা ক্বারন্টিন তৌবা লৈতে। ঙসি ইম্ফালদা লাকপা মতমদসু ঐহাক কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদে হায়বগী সার্টিফিকেট পুরক্তুনা মরী লৈনবশিংদা দিপোজিট তৌখি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, নেদাগী কনভিনর হিমন্ত বিশ্বা অমদি এন পি পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট কোনরাদ সংমা থা অসিগী ২১দসু ইম্ফালদা লাক্তুনা এন পি পিগী এম এল এশিংগা ৱারী শানরম্বা লৈখ্রে। খোঙচৎ অদুদা ৱারী শানবগা লোয়ননা অকুপ্পা রিপোর্টশিং লৌখৎলগা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমদি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা অকুপ্পা ৱারোল থল্লবা মতুংদা ঙসি অমুক হন্না ইম্ফালদা লাকখিবনি। লুচিংবা অনীসিনা ইম্ফালদা লাকপগা লোয়ননা এন পি পিগী এম এল এ ৪সু পুরগা দিল্লিদা চৎখিবনি হায়রি।